# খালিদ জামিল ইন্দিয়ান ফুটবোল টিমগী হেদ কোচ ওইরে

## খালিদনা কুমজা ২০১৩গী মতুংদা ফম অসি পায়বা অহানবা ইন্দিয়ান ওইরি

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০১ (এজেন্সি)ঃ

খালিদ জামিলবু ইন্দিয়ান মেন'স নেসনেল ফুটবোল টিমগী হেদ কোচ ওইনা হাপখ্রে। এপ্লোইনমেন্ট অসি ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ) না ইরাই নুমিৎতা কনফার্ম তৌখিবনি।



এ আই এফ এফকী টেক্নিকেল কম্মিটি য়াওবা মীফমদা খালিদ জামিলবু ইন্দিয়ান নেসনেল ফুটবোল টিমগী হেদ কোচ ওইনা এ আই এফ এফ একজিক্যুটিভ কম্মিটিনা এপ্রুভ তৌখিবনি।

ফম অসিগীদমক অপুনবা এপ্লিকান্ট ১৭০ লাকপগী মনুংদা টেক্নিকেল কম্মিটিনা কেন্দিদেট অহুম সোর্টলিষ্ট তৌখিবনি। মখোয়শিং অদুদি জামিল খালিদ, মমাঙদা ইন্দিয়ান টিমগী অনীরক কোচ ওইরম্লবা বৃটিশ কোচ ষ্টেফেন কোনষ্টেন্টাইন অমসুং স্লোভাকিয়াগী ষ্টেফান টার্কোভিসনি।

জামিল ইন্দিয়ান নেসনেল টিমগী হেক কোচ ওইনা হাপত্রিঙৈদা ইন্দিয়ান সুপর লীগ সাইদ জমসেদপুর এফ সি মেনেজ তৌরম্বনি। মহাক্না সেভিও মেদৈরাগী মতুংদা নেসনেল ফুটবোল টিমগী ফম অসি পায়রকপা অহানবা ইন্দিয়ান ওইরি। সেভিও মেদৈরানা ফম অসি ২০১১গী ওক্টোবরদগী ২০১২গী জুন থা ফাওবা পারম্বনি।

ইন্দিয়ান ফুটবোল টিমগী হেদ কোচকী ফম অসি স্পেনিয়ার্দ মানোরো মারক্কেজনা মমাঙগী থাদা তোকখিবদগী হাংদুনা লৈরকখিবনি। মহাক্না ফম অসি চহী অমরোম পায়রিঙৈদা মেটচ ৮ শান্নবদা অমখক্তমক মায় পাকখি।

খালিদ জামিল ইন্দিয়ান ফুটবোলগী মশক নাইরবা মীওই অমা ওইরিবনি। মহাক্না আইজোল এফ সিগী কোচ ওইনা ২০১৬-২০১৭দা আই-লীগ টাইটল লৌহনবা ঙমখি। আইজোর এফ সিনা আই-লীগকী টাইটল লৌবা অমত্তা ঙাইরবা নোর্থ ইষ্টকী টিম ওইরি।

মশাগী চহী ৪৮-শুরবা খালিদ মমাঙদা মকোক থোংবা দোমেষ্টিক সাইদকী কোচ ওইরমখি। ক্লবশিং অদুগী মনুংদা ইষ্ট বেঙ্গল, মোহন বগান, নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সি অমসুং জমসেদপুর এফ সি য়াওরি।

২০২০-২১ সিজন্দনা খালিদ জামিলনা ফুল টাইম বেসিসতা আই এস এলগী ক্লব অমগী চার্জ পুবা অহানবা ইন্দিয়ান ওইখি। মহাক্না নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সিগী হেদ কোচ ওইদুনা আই এস এল প্লেওফ য়ৌহনখি।

মহাক্কী লীদরসিপ মখাদা ইষ্ট বেঙ্গল এফ সি অমসুং জমসেদপুর এফ সিবু সুপর কপকী ২০১৮ অমসুং ২০২৫গী ইদিসন্দা রন্নর্স অপ তাহনখি।

জামিলবু ইন্দিয়ান নেসনেল ফুটবোল টিমগী হেদ কোচ ওইনা এপ্লোইন্ট তৌরকপা অসি এ আই এফ এফকী ষ্ট্রেটেজিক প্লানিংগী শরুক অমনি। কুমজা ১৯৯০গী ময়াই চনশিল্লকপদগী ইন্দিয়ান টিম অসি ফোরেন কোচশিংনা পায়দুনা লাকখিবনি।

জামিল খালিদনা ইন্দিয়ান টিমগী হেদ কোচ ওইরকপদগী অহানবা চাংয়েং অসি উজবেকিষ্টানদা ওগষ্ট ২৯ দগী সেপ্টেম্বর ৮ ফাওবা পাঙথোক্কদবা কাফা নেসন্স কপ ২০২৫না ওইরগনি।

ইন্দিয়ান মেন'স নেসনেল ফুটবোল টিম অসি হৌজিক ফিফা রেঙ্কিংদা ১৩৩শুবা মফমদা লৈরিবনি। ইন্দিয়ান টিম অসি অরুবা গ্রুপতা তারি। গ্রুপ অসিদা ৱার্ল্ড নম্বর ২০ ইস্লামিক রিপব্লিক ওফ ইরান, ৱার্ল্ড নম্বর ১০৬ টাজিকিস্তান অমসুং খোঙজেল য়াঙনা ফগৎলক্লিবা অফঘানিষ্টান য়াওরি। মমাঙ চহীদা শান্নখিবা এ এফ সি এসিয়ান কপ ২০২৭ ক্বালিফায়রদা অফঘানিষ্টাননা ইন্দিয়াবু মায়থিবা পীরম্বনি।

# মণিপুরনা হিমাচলবু ৬-০দা থোইদুনা দিভিজন বিগী পুল বিদা মকোক থোংদুনা দিভিজন এদা প্রমোসন ফংখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০১ (এস এন এস)ঃ

তামিল নাদুনা যূম্বু ওইরগা চেন্নাইগী মেজর রাধাকৃষ্ণন হোক্কী ষ্টেদিয়মদা চথরিবা ১৫শুবা হকি ইন্দিয়া সব-জুনিয়র মেন নেসনেল চেম্পিয়নসিপ ২০২৫গী ইরাই নুমিৎতা শান্নখিবা দিভিজন বিগী পুল বিগী অরোইবা মেটচতা মণিপুরনা হিমাচলবু য়ান্না লাকচনা গোল ৬-০দা মায়থিবা পীদুনা পুলগী মকোক ওইরগা দিভিজন এদা প্রমোসন ফংখ্রে।



মেটচ অসিগী অহানবা ক্বার্টরদা জর্সি নম্বর ১৪ নিঙোম্বম জেরিকনা মণিপুরগী গোল একাউন্ট হাংদোকখি। অহুমশুবা ক্বার্টর শান্নরকপা মেটচকী ৩৭শুবা মিনিট মণিপুরগী জর্সি নম্বর ১০ মাইবম মনিমতুন্না ফিল্ড গোল অমগা চনশিন্দুনা মাঙজিল থারম্বা মশিং হেনগৎহনখি।

মখা তানা শান্নরকপদা গোল মাঙজিল থারিবা মণিপুরগী শান্নরোইশিংনা খুদুম চনবা ঙমখি। শান্নবগী ৪৭শুবা মিনিটতা জর্সি নমবর ২ সঞ্জিত সিংহনা গোল অমগা হাপচিন্দুনা মেটচ অসি মণিপুরনা ৩-০দা মাঙজিল থাখি।

হিমাচলগী শান্নরোইশিংনা শোত্থরিবা গোলশিং হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ শান্নবগী ৫৫শুবা মিনিটতা মণিপুরগী গোল একাউন্ট হাংদোকখিবা নিঙোম্বম জেরিকনা মহাক্কী অনীশুবা গোল হাপচিন্দুনা ৪-০দা লৈবা ঙমখি।

সাইখোম নিসিনা মরিশুবা অমসুং অরোইবা ক্বার্টর শান্নরকপদা মেটচকী ৫৬ অমসুং ৫৮শুবা মিনিটতা গোল অনী হাপচিন্দুনা দিভিজন বিগী পুল বিগী অরোইবা মেটচ অসি মণিপুরনা হিমাচলবু ৬-০দা মায়থিবা পীখি। সাইখোম নিসিনা মেন ওফ দি মেটচ তাখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং শান্নখিবা পুল- বিগী মেটচ অমদা রিগুলেসন টাইমগী অরোয়বা মিনিটতা মণিপুরগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকপা এটেক অমদা মনিমতুম মাইবন্না য়ান্না মরুওইবা গোল অদু চন্দুনা কেরলাবু ২-১দা মায়থিবা পীরমখি।

দিভিজন বিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ছাটিসগরনা বেঙ্গলবু ৬-২দা মায়থিবা পীখ্রে। ছাটিসগরগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু অদর্স রাজ সিংহনা শান্নবগী ৩শুবা, ৮শুবা, ২০শুবা অমসুং ৬০শুবা মিনিটতা গোল মরি অদুগা অমান ভর্ম (৪৮) অমসুং অভিসেক যাদব (৫৮)না গোল অমমম চনখি। মায়থিহৌরবা বেঙ্গলগী গোলশিং অদুনা অভিসেক সো (৬) অমসুং হিটেন রাজাক (৩৫)না চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা দিভিজন এগী মেটচতা উত্তর প্রদেশনা দিল্লিবু ১০-১দা মায়থিবা পীখি। মেটচ অসিদা উত্তর প্রদেশকী সারুখ অলিনা ৫শুবা, ২৯শুবা, ৩৮শুবা অমসুং ৪৩শুবা মিনিটতা গোল মরি চন্দুনা খ্বাইদগী ফজবা পার্ফোমেন্স উৎখি।

রোমিত পালনা ২০শুবা অমসুং ২৩শুবা মিনিটতা গোল অনী অদুগা ধানুক করন, সুনিল পাল, মোহমদ দানিস অমসুং মোহমদ অকিব রেনীনা গোল অমমম চন্দুনা উত্তর প্রদেশনা চাওনা মায় পাকপদা মতেং পাঙখি। দিল্লিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা টিম কেপ্টেন উদে রান্ধাৱানা চনখি।

দিভিজন এগী অতোপ্পা মেটচ অমদা ওড়িষাগী অরমান সোরেংনা চনখিবা হেটত্রিক গোলগী মতেংনা মহারাষ্ট্রবু ৫-১দা মায়থিবা পীখি। ওড়িষাগী অতোপ্পা গোলশিং অদুনা সঞ্জীত রাজ লাক্রা অমসুং দীপক প্রকাসনা চনখি। মাহারাষ্ট্রগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা শান্নবগী ৩৪শুবা মিনিটতা রেহান সাফি খাননা চনখি।

দিভিজন এগী অতোপ্পা মেটচ অমদনা পঞ্জাবনা কর্নাতকাবু ১০-০দা মায়থিবা পীখি। পঞ্জাবকী মায় পাকপগী গোলশিং অদু মন্দীপ সিংহনা গোল অনী অদুগা গুরসিম্রনপ্রিত সিংহ, ভারিন্দর সিরহ, অর্সপ্রিত সিংহ, যুবরাজ সিংহ, অকাস দীপ, জাসনস্প্রিত সিংহ, অনুরাগ সিংহ অমসুং বিজয় কুমার পালনা গোল অমমম চনখি।

ঙসি শান্নখিবা দিভিজন এগী অরোইবা মেটচতা হরিয়ানানা তামিল নাদুবু ৩-০দা মায়থিবা পীখ্রে। হরিয়ানাগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু কেপ্টেন অনকুর রোরনা শান্নবগী ২৮শুবা, ৫৩শুবা অমসুং ৫৫শুবা মিনিটতা চনখিবনি।

# লৈশাংথেম রোনেল দুলীপ ট্রোফিগী সেলেক্সন কম্মিটিগী কনভেন্নর ওইনা খল্লকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০১ (এস এন এস)ঃ

ওল মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসন (এম এন সি এ) গী ওনররি সেক্রেটরী লৈশাংথেম রোনেল সিংহবু সেন্তর ওফ এক্সিলেন্স বেঙ্গলুরুদা ওগষ্ট ২৮দগী সেপ্তেম্বর ১৫ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা বি সি সি আই দুলীপ ট্রোফি ২০২৫গী নোর্থ ইষ্ট জোনেল সেলেক্সন কম্মীটিগী জোনেল কনভেন্নর ওইনা খল্লকখ্রে।



জোনেল কনভেন্নর অমা ওইনা মহাক্না নোর্থ ইষ্ট জোন পুন্নমক্তগী খনগৎলবা টেলেন্টেট প্লেয়রশিংনা শাবা মেম্বর ১৫গী সেলেক্সন কম্মীটি অমগী লুচিংবা ওইগনি। মসিগীসু মথক্তা কোচ, এসিষ্টেন্ট কোচ, ফিজিও থেরাপিষ্ট, ট্রেন্নর, পার্ফোমেন্স এনালাইসিষ্ট, মেসিওর অমসুং মেনেজর য়াওনা নোর্থ ইষ্ট জোন টিমগী সপোর্ট ষ্টাফশিং খনবগী থৌদাংসু মহাক্না লৌগনি।

নোর্থ ইষ্ট জোনেল সেলেক্সন কম্মীটিগী মীটিং লাক্লিবা থা অসিগী ১১গী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬তা গুৱাহাটিগী হোটেল তাজ ভিবান্তাদা পাঙথোক্কনি।

লৈশাংথেম রোনেলবু অসিগুম্বা ফম অসিদা খল্লকপা অসি অনীশুবনি। মসিগী মমাঙদা ২০২৩-২৪ সেসনদসু সেনিয়র ৱুমেন'স ইন্টর জোনেল ৱান টে ট্রোফিগী নোর্থ ইষ্ট জোনেল সেলেক্সন কম্মীটিগী জোনেল কনভেন্নর ওইনা খনখ্রবনি।

# এ আই এফ এফ 'দি' সার্টিফিকেট কোর্স পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০১ (এস এন এস)ঃ

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (অম্ফা)না ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা এ আই এফ এফ 'দি' সার্টিফিকেট কোর্স বেজ অনী থোক্না পাঙথোক্কদৌরি।

কোর্স অসিগী অহানবা বেজ ওগষ্ট ৯দগী ১৪ ফাওবা অদুগা অনীশুবা বেজনা ওগষ্ট ১৬তগী ২১ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরি। কোর্সশিং অসিদা শরুক য়ানবগীদমক পার্টিসিপেসন ফীগা লোয়ননা ওগষ্ট ৫ ফাওবগী মনুংদা এপ্লাই তৌবা য়াগনি। কোর্স অসিগী অকুপ্পা মরোল কোর্স কো-ওর্দিনেটর টিঐচ ইবোতোম্বীদগী খঙলবা য়াগনি হায়না অম্ফাগী জেনরেল সেক্রেটরীগী চেরোলনা হায়রি।

# অনীশুবা এম এল এ ট্রোফি ষ্টেট লেভেল ওপন চেছ টুর্নামেন্ট ২০২৫ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০১ (এস এন এস)ঃ

মণিপুর চেছ এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা সার্ভিস রিক্রেসন এন্দ ওর্গানাইজেসন ওফ য়ুঠ (এস আর ও ৱাই)না শীন্দুনা অনীশুবা শিংজমৈ কন্সিটিট্যুন্সি, মেম্বর ওফ দি লেজিসলেটিভ এসেমব্লি (এম এল এ) ট্রোফি ষ্টেট লেভেল ওপন চেছ টুর্নামেন্ট ২০২৫ থা অসিগী ২৯দগী ৩১ ফাওবা শিংজমৈ থোঙাম লৈকাইদা লৈবা এস আর ও ৱাইগী হোলদা পাঙথোক্লগনি।

পাঙথোক্কদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসি শিংজমৈ এ সিগী ওনরেবল এম এল এ য়ুম্নাম খেচান্দনা স্পোন্সর তৌদুনা তোঙান তোঙানবা কেটাগোরিশিংদা পাঙথোক্লগনি। টুর্নামেন্ট অসিগী ওপন কাঙলুপকী ৱিন্নরদা শেলগী মনা লুপা লিশিং ২০গা লোয়ননা ট্রোফি, রন্নরস অপ্তসু শেলগী মনা লুপা লিশিং ১৫গা লোয়ননা ট্রোফি অমসুং সেকেন্দ রন্নরস অপ্তসু লুপা লিশিং ১০গী লোয়ননা ট্রোফি থল্লি।

চহী ১৫ ফাওবদা লৈবা নুপা মচা অমদি নুপীমচাশিংগসু অহানবা, অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা তাবশিংগীসু শেলগী মনা থল্লি। লোয়ননা চহী ৬০ মথক্কীসু অহানবা, অনীশুবা অমসুং অহুমশুবদসু শেলগী মনাশিং থল্লি।

টুর্নামেন্ট অসিগী এন্ট্রি ফোর্মনা লুপা ৩০০নি। টুর্নামেন্ট অসিবু য়াওবিনিংবা শান্নরোইশিংনা অয়ুক্কী পুং ৭.৩০দগী ১০ অদুগা নুংথিল পুং ৪দগী ৫ ফাওবগী মনুংদা এস আর ও ৱাইগী ওফিসতা লাক্তুনা ফোম লৌরনবা খঙহল্লক্লি অদুগা ফোম পীশিনবগী অরোয়বা মতমনা থা অসিগী ২৪গী নুংথিল পুং ৪ ফাওবনি। হেন্না অকুপ্পা মরোলগীদমক এস আর ও ৱাইগী ওফিসতা লাক্লগা খঙল্লবা য়াগনি হায়না সার্ভিস রিক্রেসন এন্দ ওর্গানাইজেসন ওফ য়ুঠগী জেনরেল সেক্রেটরীনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# রোনান্দেভ খল্লক্লে

থৌবাল, ওগষ্ট ০১ (এস এন এস)ঃ

ওদিষাদা লৈবা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন ফিফা টেলেন্ত একাদমিনা একাদমি অসিদা ট্রেইন তৌরিবা অন্দর-১৫ বোইজগী সেলেক্সন লিষ্ট থাদোরকপদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ৱাংবল ময়াই লৈকাইদগী অহৈবম বাসুদেভগী মচানুপা অহৈবম রোনান্দেভ য়াওরক্লে হায়রি।

সেলেক্সন অদুদা অহৈবম রোনান্দেভ য়াওরকপদা সোসিয়েল দিলভপমেন্ট ক্লব ৱাংবল ময়াই লৈকাইনা নুংঙাইবা ফোঙদেকপগা লোয়ননা খুদোল পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি।

# ৱার্ল্ড চেছ ফেদরেসননা প্লেয়র ৯, কোচ অনীদা ইন্টরনেসনেল রেটিং পীরকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০১ (এস এন এস)ঃ

অসামগী সিলচরদা লৈবা অসাম য়ুনিভর্সিটিদা জুন ২৮দগী জুলাই ৩ ফাওবা পাঙথোকখিবা অহানবা অসাম য়ুনিভর্সিটি ইন্টরনেসনেল ওপন এফ আই দি ই রেটিং চেছ টুর্নামেন্টদা য়ুম্ফম ওইরগা ৱার্ল্ড চেছ ফেদরেসননা মসিগী রেটিং ওগষ্ট ১দা রিলিস তৌরকপা মতুংইন্না দি চেছ একাদমিগী প্লেয়র ৯ অমসুং কোচ ২দা রেটিং পীরকখ্রে।

রেটিং অদুগী মতুংইন্না এফ আই দি ই রেটিং ষ্টেন্দর্দদা প্লেয়র ১, এফ দি ই রেটিং রেপিটতা প্লেয়র ৭, এফ আই দি ই রেটিং ব্লিজদা প্লেয়র ৯নি। প্লেয়রশিং অদুদি- মাইবম য়োহেনবা খুমন, দয়ানন্দ থৌদাম, লেম্বা শৌগাইজম, জোনেক্স নান্দেবম, খুমন আইনষ্টাইন মাইবম, ৱিলিয়ম্বা মোইরাংথেম, পূন্সিবা মাইস্নামনি।

কোচশিং অদুনা কোঞ্জেংবম পাইখোম্বা মৈতৈ অমসুং নাওরেম য়োহেনবানি।

# ফিনস্বুইমিংগী ট্রাইয়েল কম সেলেক্সন টেষ্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০১ (এস এন এস)ঃ মণিপুর ফিনস্বুইমিং এসোসিয়েসননা শীন্দুনা খুমন লম্পাক স্বুইমিং পুলদা পাঙথোক্কদৌরিবা মঙাশুবা নেসনেল ফিনস্বুইমিং চেম্পিয়নসিপ ২০২৫কী ট্রাইয়েল কম সেলেক্সন টেষ্ট পাঙথোক্লগনি।

শরুক য়ানিংবা স্বুইম্মরশিংনা থা অসিগী ১৭ নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ৮ ফাওবগী মনুংদা লাক্তুনা ট্রাইয়েল অসিদা শরুক য়াবা য়াগনি।


শরুক য়ানিংবা পার্টিসিপেন্তশিংনা ইন্ত্রি ফীনা লুপা ৫০০ থা অসিগী ১৬ ফাওবগী মনুংদা পীশিনগদবনি।

পার্টিসিপেন্ত ফোর্ম খুমন লম্পাক স্বুইমিং পুলদা ওগষ্ট ১৫দগী হৌনা ফংগনি। মেনশিল্লবা ফোর্ম অদু অমুক হন্দোক্লরোইদবা রেজিষ্ট্রেসন ফী লুপা ৫০০গা লোয়ননা ওগষ্ট ১৬ ফাওবগী মনুংদা পীশিনগদবনি হায়না মণিপুর ফিনস্বুইমিং এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরীনা থাদোরকপা চেরোলনা খঙহল্লক্লি।

# কানাদিয়ান ওপনঃ টোপ সিদেদ জ্বেরেভ ৫০০শুবা এ টি পি মেটচ মায় পাকখ্রে, মেদভেদেভ লৈহৌরে

মোন্ট্রিএল, ওগষ্ট ০১ (এজেন্সি)ঃ

টোপ সিদেদ জর্মনিগী শান্নরোই আলেকজেন্দর জ্বেরেভনা কানাদিয়ান ওপনগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচতা মেট্টিও অরমান্ডিবু মায়থিবা পীরল্লগা কেরিয়রগী ৫০০শুবা এ টি পি মেটচ মায় পাকখ্রে, রশিয়াগী দানিল মেদভেদেভ মায়থিদুনা কেম্পেইন লোইশিনখ্রে।



টুর্নামেন্ট অসিগী ২০১৭ ইদিসনগী চেম্পিয়ন মশাগী চহী ২৮শুরবা জর্মনিগী জ্বেরেভ এ টি পি মেটচ ৫০০ মায় পাকপা অহানবা শান্নরোই ওইরে। মহাক্না চহী অসিগী এপ্রিল থাদা ম্যুনিক্কী ক্লে কোর্ট টুর্নামেন্টতা মায় পাক্তুনা মহাক্কী ২৪শুবা টুর টাইটল লৌখিবনি।

শগোলশেল নুমিৎকী অথেংবদা শান্নখিবা মেন'স সিঙ্গলসকী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অসিদা জ্বেরেভনা ইটালিগী মেট্টিও অরনাল্ডিবু ৬-৭(৫-৭), ৬-৩, ৬-২দা থোইরল্লগা মখা তাবা রাউন্দ চঙলকপনি।

মেটচ অসি শান্নবা হৌরকপদগী ঐহাক্না য়াম্না ফজনা শান্নখিবরা হায়না খনখি। অদুবু মেটচ অসি য়াম্না শান্নখি। ঐনা হান্নগী খোঞ্জেলদা লাক্লবা হোৎনবদা মতম খরা চঙখি হায়না জ্বেরেভনা ফোঙদোকখি।

মালেমগী রেঙ্কিংদা ৩শুবা মফমদা লৈরিবা জ্বেরেভ টুর্নামেন্ট অসিদা টোপ সিদেদ শান্নরোইশিং ইটালিগী ৱার্ল্ড নম্বর জান্নিক সিন্নর অমসুং ৱার্ল্ড নম্বর টু স্পেনগী কার্লোস অলকারাজ হার্দকোর্ট ইভেন্ট অসিদগী ৱিদ্রো তৌখিবদগী টোপ সিদেদ ওইরকপনি। ৱার্ল্ড নম্বর ৫ বৃটেনগী জেক ড্রেপর অমসুং নমবর ৬ সর্বিয়াগী নোবাক জোকোভিসনা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াখিদবনি।

জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভনা মথংগী রাউন্দদা ৱার্ল্ড নম্বর ১৪ আর্জেন্টিনাগী ফ্রান্সিস্কো সেরুন্দোলোগা শান্নরগনি। আর্জেন্টিনাগী শান্নরোই অসিনা অহুমশুবা রাউন্দদা মহাক্কী টিমমেট টোমাস মার্টিন ইটচেভেরিবু ষ্ট্রেট সেট ৬-৩, ৬-৪দা মায়থিবা পীরম্বনি।

অমরোমদা, হান্নগী য়ু এস ওপন চেম্পিয়ন রশিয়াগী দানিল মেদভেদেভ টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা রাউন্দদা ওষ্ট্রেলিয়াগী এলেক্সি পোপিরিনগী মখূত্তা ৭-৫, ৪-৬, ৪-৬তা মায়থিদুনা লৈহৌরে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দদা য়ু এসকী এলেক্স মাইকেলসেননা ৩শুবা সিদেদ ইটালিগী লোরেঞ্জো মুসেট্টিবু ৩-৬, ৭-৬(৭-৪), ৬-৪দা থোইরল্লগা অতোপ্পা য়ু এসকী শান্নরোই লর্নর টিয়েনগা শান্নরগনি। লর্নর টিয়েননা মহাক্কী টিমমেট রৈল্লি ওপেল্কাবু ৭-৬(৭-৩), ৬-৩দা থোইরম্বনি।

৫শুবা সিদেদ দেনমার্ককী হোলগর রুনেসু ফ্রান্সকী আলেকজেন্দ্রি মুল্লরবু ষ্ট্রেট সেট ৬-২, ৬-৪দা মায়থিবা পীখি। মহাক্না মথংগী রাউন্দদা ওষ্ট্রেলিয়াগী এলেক্সি পোপিরিনগা লম্বা পানরগনি।

৮শুবা সিদেদ নোরৱেগী কেস্পর রুদনা অহুমশুবা রাউন্দদা পোর্টুগালগী নুনো বোরগেজবু ৭-৫, ৬-৪দা মায়থিবা পীরল্লগা ১১শুবা সিদেদ রশিয়াগী কারেন খাচানোভকা শান্নরগনি। খাচানোভনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটকী ইমিলিও নাভাবু ৬-৭(৬-৮), ৬-৪, ৬-১দা থোইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ৱুমেন'স সিঙ্গলসকী মেটচতা য়ু এস এগী কোকো গাউফনা রশিয়াগী ভেরোনিকা কুদ্রমেটোভাবু সেট অহুম চঙনা শান্নরবা মতুং ৪-৬, ৭-৫, ৬-২দা থোইদুনা রাউন্দ ওফ সিক্সটিন চঙখ্রে। মেটচ অসিদা য়ু এসকী কোকো গাউফ দবল ফোল্টস ১৪ হেন্না তাখি।

য়ু এসকী কোকো গাউফনা রাউন্দ ওফ সিক্সটিনদা মশাগী চহী ১৮দা ঙাইহিবী কানাদিয়ান ভিক্টোরিয়া এমবোকোগা শান্নরগনি। কানাদাগী শান্নরোই অসিনা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দদা চেক রিপব্লিক্কী মেরি বৌজকোভাবু ১-৬, ৬-৩, ৬-০দা থোইরম্বনি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মেককার্টনি কেসলরনা ৪শুবা সিদেদ রশিয়াগী মিরা এন্দ্রিভাবু ষ্ট্রেট সেট ৭-৬(৭-৫), ৬-৪দা মায়থিবা পীরল্লগা মথংগী রাউন্দদা য়ুক্রেনগী মার্টা কোষ্টিয়ুক্কা শান্নরগনি। য়ুক্রেনগী শান্নরোই অসিনা ১৫শুবা সিদেদ ওষ্ট্রেলিয়াগী দারিয়া কসাটকিনাবু ৩-৬, ৬-৩, ৭-৬(৭-৪)দা থোইরম্বনি।

য়ুক্রেনগী অতোপ্পা শান্নরোই দায়ানা য়াষ্টেমস্কাসু ৮শুবা সিদেদ য়ু এসকী ইম্মা নভারোবু ষ্ট্রেট সেট ৭-৫, ৬-৪দা মায়থিবা পীরল্লগা মথংগী রাউন্দদা ৯শুবা সিদেদ কজাখষ্টানগী ইলেনা রাইবাকিনাগা লম্বা পানরগনি। কজাখষ্টানগী ইলেনা রাইবাকিনানা রোমানিয়াগী জেকলিন কৃষ্টিয়ানবু ৬-০, ৭-৬(৭-৫)দা মায়থিবা পীরম্বনি।

১০শুবা সিদেদ য়ুক্রেনগী ইলেনা স্বিটোলিনাসু রশিয়াগী কামিল্লা রাখিমোভাবু ৭-৫, ৬-২দা মায়থিবা পীরল্লগা মথংগী রাউন্দ চঙখ্রে।

# সৌজানা কুৱেটকী কোচ ওইরে

লিসবোন, ওগষ্ট ০১ (এজেন্সি)ঃ

পোর্টুগিস হেলিও সৌজাবু কুৱেট মেন'স টিমগী কোচ ওইনা এপ্লোইন্ট তৌরে হায়না লৈবাক অসিগী ফুটবোল এসোসিয়েসন কে এফ এনা শগোলশেল নুমিৎতা লাউথোকখ্রে।

মশাগী চহী ৫৫শুরবা হেলিও সৌজানা জুৱান এন্টোনিও পিজিগী মহুৎ শিনগদবনি। জুৱান এন্টোনিওগী কন্ট্রেক্ট অদু চহী অসিগী অঙনবদা লোইখ্রবনি।

লোকেল মেডিয়াগী রিপোর্ট মতুংইন্না হেলিও সৌজা কে এফ এগা কুমজা ২০২৭ ফাওবগী কন্ট্রেক্ট সাইন তৌবনি। মসিগী ফীনা চহীদা য়ু এস মিল্লিয়ন ১.৬নি হায়রি।

সৌজা মমাঙদা বাহরেনগী কোচ ওইরম্বনি। মহাক্কী মতেংদগী বাহরেননা কুমজা ২০১৯দা ৱেষ্ট এসিয়ান ফুটবোল ফেদরেসন চেম্পিয়নসিপকী টাইটল লৌখি। মথংগী চহীদসু কুৱেটনা অহানবা গল্ফ কপ লৌখি।

# বেঙ্গলুরুদা এম দি ভি স্পোর্টস মীট পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ০১ (এস এন এস)ঃ

মণিপুরী দাইজপোরা বেঙ্গলুরুনা শীন্দুনা পাঙথোকপা অহুমশুবা এম দি ভি স্পোর্টস মীট ২০২৫ সিটি অসিগী কোরমাঙালাদা লৈবা পোষ্ট ওফিস গ্রাউন্দদা ঙসিদগী শান্নবা হৌখ্রে।

'কম, চিয়র কম্পিট এন্দ কনেক্ট' হায়বা থিমদা পাঙথোক্লিবা স্পোর্টস মীট হৌদোকপা নুমিৎতা ইন্টরপ্রেনিয়র অমসুং ফিল্ম প্রদ্যুসর দিপক থিন্মাপ্পা অমসুং মণিপুর গভর্ণমেন্টগী জোইন্ট রেসিদেন্ট কম্মীস্নর এন্দ লাইজন ওফিসার রাজেস এম এ, আই এফ এসনা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

স্পোর্টস মীট অসি পাঙথোক্লবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা মণিপুরী দাইজপোরা বেঙ্গলুরুগী প্রসিদেন্ট য়াম্বেম অরুন মৈতৈসু হৌদোকপগী থৌরম অদুদা অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

চায়োল অমা হেন্না চত্থগদৌরিবা স্পোর্টস মীট অসিগী মপুং ওইবা মশান্নশিংদি ভোল্লিবোল, ফুটবোল অমসুং বাস্কেটবোলনি।

স্পোর্টস মীট অসি লোয়শিনবগী থৌরমদা ফাইনেল মেটচশিং, এৱার্দ য়েন্থোকপা অমসুং কলচরেল প্রোগ্রামশিং পাঙথোক্তুনা বেঙ্গলুরুদা লৈরিবা মণিপুরীশিংগী মরক্তা নুংশি চান্নবগী লিপুন হেন্না চেৎশিলহনগদৌরি।




Owned and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt. Ltd. from Khwai Brahmapur, Nagamapal, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Kongpal Kongkham Leikai, Imphal East, Imphal-795005, Manipur
Editor: Ningombam Nimol Chand, RNI Registration No. 31350/ 77 E-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com